[illegible]

Refreshingly Reliable
HL
The messenger of the masses

হুইয়েন লানপাউ

[illegible]

দি দি য়ু-জে কে ৱাই স্কীম ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা মণিপুর স্টেট রুরেল লাইফলিহুদ মীসনগা এম এস এপোল্লো মেদস্কীল লিমিটেদগা এম ও য়ু খুৎয়েক পীনবা থৌরমগী শক্তম

সিবিল সোসাইটি কোলিসন ওন হ্যুমেন রাইটস ইন মণিপুরনা শীন্দুনা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা থৌরমদা *সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট গোলস : এজেন্দা* ফোংঙবা

tainable Development Goals: Agenda 20
A Civil ... Report
5 ... 2017
লামায় ৪

ওপোজিসন্না পুথোকপা প্রসিদেন্টকী মীরেপ মৈরা কুমারনা গুৱাহাটিদা নোর্থ ইষ্টকী কোংগ্রেস এম এল এশিং অমসুং এম পিশিং উনদুনা ভোট খোম্বগী থৌরম

MEETING OF THE
DENTIAL CANDIDATE FROM UPA
লামায় ৮

চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা সিবিল সেক্রেটরিয়েটতা ইমপ্লোয়ীশিংগী বাইওমেট্রিক এটেন্দেন্স হাংদোকপা থৌরম

Vol. 41, Issue No.102 | শগোলশেন, ইঙেনগী ১৩ নি পানবা | অপুনবা লামায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Thursday, July 06, 2017, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৬১.৬৪
দীজল : লিটরদা লুপা ৫২.০১

লুপা লাখ ১ কৎখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ : মণিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়ীজ ৱেলফেয়র এসোসিএসন্না চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন ঙসি উনখ্রে অমসুং সী এমগী রিলিফ ফন্দদা লুপা লাখ ১গী শেনফম কৎখ্রে। চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিয়েটদা পাঙথোকপা অচম্বা থৌরম অমদা হোম গার্দ পার্সনেলশিংনা লুপা লাখ ১গী শেনফম কৎলকপদু পুকচেল চাউবা খোঙথাং অমনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা শীংথাখি। শেনফম অদুনা মহৌশানা থোকহনবা খুদোংথিবদা অৱাবা নংলবশিংদা তেংবাঙ পীবা ঙমহল্লগনি হায়রি।

কংলা য়েংবগী গাইদ

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ : মীচম মীয়াম্না কংলা মনুংদা করি করি লৈবগে হায়বা ময়েক শেংনা খঙহনবা ঙম্নবা স্টেট আর্কিওলোজি ওফিসনা গাইদ সার্বিস থম্বা হৌখ্রে। ইন্দিয়া মনুংগী ওইনা লমকোয়বা লাকপা মীওই মঙা ফাওবগী ওইনা পুং ৪দা লুপা ৭৫০ পীরগা গাইদ সার্বিস লৌবা য়াগনি। মীওই তরুক্তগী ১০ ফাওবগী মনুংদা লৈবশিংগীনা পুং ৪দা গাইদ সার্বিসকী লুপা ৯০০ ...*মখা লামায় ৩ কলম ৮*

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	এন এ °C	এন এ °C
চান্দেল	২২৭.১৯°C	২৫.৪৬°C
সীসীপুর	এন এ °C	এন এ °C
ইম্ফাল	২৯.৫৪ °C	২৩.০০ °C
সেনাপতি	২৫.৪৯ °C	২১.৯০ °C
তমেংলোং	এন এ °C	এন এ °C
থৌবাল	এন এ °C	এন এ °C
উখ্রুল	২০.৫৮ °C	১৭.৫১ °C
মণিপুর	২৯.৫৪ °C	১৭.৫১ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ২২.৮৩ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.২৮
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৮
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট, জি ও এম

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	73.400129
US Dollar	64.841128
British Pound	83.754773
Australian Dollar	49.185404
Chinese Yuan Renminbi	9.534566
Japanese Yen	0.570803
Malaysian Ringgit	15.078771
Norwegian Krone	7.730695
Singapore Dollar	46.874852
South Korean Won	0.056126
Swedish Krona	7.620009
Turkish Lira	18.043761
Myanmar Kyat	0.04743
Bangladesh Taka	0.80174

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs 29005.35
Mumbai	–	Rs 29561.50
Delhi	–	Rs 29411.76
Kolkata	–	Rs 29796.79

HL POLL

Q : CM N. Birenna mayai kaba drug sijinnaba thingnaba loukhatliba khongthangsi mai pakkadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak
www.hueiyenlanpao.com
da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Yelhoumi kannaba anouba ILPga mannaba bill leingakna puthoknaba hotnadribasi yaningbra?

Yes 17% No 83%

অস! লোইরেহে!

থম্বাল শাংপদগী ঈশিং চাউরে...!
[illegible]



য়ুমথোঙ খুদিং ঈশিং মরাং কায়না ফংহনগনি'না য়াম্না লাউখিবদুদি!
[illegible]

মপান্দা পুনবা থৌরাংলম্বা ক্রোর ১ রোমগী গঞ্জা ফারে

লৈঙাক্কী ওজা ১ য়াওনা মীওই অহুমদগী লুপা লাখ ৬০ রোমগী মমল ওইগদবা হেরোইন ফারে

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচ এন এস) :
স্টেট অসিদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক অমসুং হীদাক মনাগী পোৎলমশিং থিংনবা পুলিসনা মীশিং-নাশিংনা লৈরিঙৈগী চৈরক্তা মণিপুরদগী মপান্দা পুনবা থৌরাং তৌরম্বা মালেমগী কৈথেলদা লুপা ক্রোর ১ রোমগী মমল ওইগদবা গঞ্জা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ঙসি ফারে।

পাউমীশিংগা উনবদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি কবিব কেনা হায়খি, চপ চাবা পাউ অমা ফংবদগী ঙসি নুংথিল পুং ২ রোম তাবদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এদিস্নেল এস পি (এল ও) দল্লিয়ু কসর, সিভিল আর্মস রিজার্ভ (কার) গী দি এস পি রোমি ময়েংবম অমদি ইম্ফাল ইষ্ট নার্কোটিক সেলগী ও সী, পি জোন য়াওবা টিম অমনা অন্দ্রো পার্কিং এরিয়াদা কাঞ্চোং তরা পানবা ট্রক অমা চেক তৌখি। য়াম্না থাজদবা মওংদা ট্রক অদুদা অচৌবা চেম্বর অমা শেল্লগা নীংথিনা চপখাইরগা ব্লোক ওইনা শেল্লবা গঞ্জা কে জি ১,৬১০ রোম য়াওরম্বা থেংনখি।

য়াল্লবা গঞ্জাশিং অদু ট্রক অদুগী মনিংগী বোদি অমদি কালোক্তা তাইনবদা কাখল অমা শেল্লগা লোৎশিল্লগা পুরম্বনি। পুলিসনা ট্রক অদুগী বোদিগী মথক্কী শরুক অদুদা কাখৎলগা চেক তৌবদা অচৌবা কাখল অমা শেল্লগা লৈরে হায়বা খঙবা ঙমখি অমসুং কাখল অদু য়ৌনা হাইদোক্লগা য়েংবদা নীংথিনা পেক তৌরবা গঞ্জা পেকেট ১০৭ লোম ফাগৎপা ঙমখিবনি। পেকেট অমমমদা কে জি ১৫দগী ১৬ ফাওবা লুম্বা য়াওই। হায়রিবা গঞ্জাশিং অদু লোকেল মার্কেটতদি লুপা লাখ ৩৩ রোম ওইগনি। অদুগা মালেমগী কৈথেলদনা ক্রোর ১ রোমগী মমল ওইগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মহাক্না হায়খি, পুলিসনা ফারবা ট্রক (এম এন ০৭ সী/৩০৪৮) অদু ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী পোরোম্পাৎ পুলিস স্টেসন্না কোনবা ক্ষেত্রি বেঙ্গুন অৱাং লৈকায়দা লৈবা এম দি ইমরাম খান (৩৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা এম দি জনব অলি কৌবা অমনা থৌরকপনি। গঞ্জা অদুগী মপুনা পাঙ্গোংদগী সুর্জিৎ কৌবা অমগীনি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা পোরোম্পাৎ পুলিসনা কেস অমা লৌখৎপগা লোয়ননা মখা তানা থিজিনবগী থবক চথরি।

অমরোমদা, নার্কোটিক এফেয়র্স এন্দ বোর্দর পুলিস স্টেসনগী টিম অমনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ লোম তাবদা লৈঙাক্কী ওজা অমা য়াওনা মীওই অহুম্না পুরকপা হেরোইন (নম্বর ফোর) পাউদর গ্রাম ৫০০ ককচিং লমখায় এরিয়াদগী ফারে। মখোয়না তোংলকপা মারুটি কার অদুগা লোয়ননা মখোয় অহুমসু পুলিসনা ফারে।

হেরোইন পাউদর ফাবগী মতাংদা মণিপুর পুলিসকী আই জি পি (এদমিনিষ্ট্রেসন) ওইবতা নত্তনা দ্রগকা মরী লৈনবা ৱাথোক লাম্হোক্কী নৌনা নোদল ওফিস হাপখ্রবা ডা. এস ইবোচানা হায়খি, ঙসি নুংথিল পুং ৩ লোম তাবদা চপ চাবা পাউ অমা ফংবদগী নার্কোটিক এন্দ এফেয়র্স ওফ বোর্দর পুলিসকী টিম অমনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক লল্লোন-ঈতিক তৌবা মীওই অহুম মারুটি কার ৮০০ সিলভর মচু (এম এন ০৬এল/১৭০৮) অমদা তোংদুনা লাকপদা চিংনবদগী তান্নদুনা ককচিং লমখায় এরিয়াদা ফাগৎপা ঙমখি।

মারুটি কার অদু ইম্ফাললোমদগী ককচিং তম্না লাকপনি। কার অদুদা তোংলকপা মীওইশিং অদুদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা থৌবাল খেকমন ময়ায় লৈকায়দগী থোঙাম নন্দকিশোর এলিয়স সনায়াইমা (৫২) অপোকপা লৈখিদ্রবা টি ঐচ গুলামজাৎ, মোরে পুলিস স্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা ক্বাথা খুলদগী অঙোম বিরা (৪৫) অপোকপা এ অমু অমদি শিংজমৈ পুলিস স্টেসনগী মনুং চনবা লিলোং চজিং করাম অৱাং লৈকায়দগী উরিকখিনবম জাতিশ্বর (৪৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা য়ু হেমচন্দ্রনি।

মখোয় ককচিং লমখায়গী পোম্বী রেষ্টুরেন্ট মনাক্তগী ফাবনি। নম্বর ফোর গ্রাম ৫০০ অদু নিংথিনা পেক তৌরগা পোলিথিন অমদা হাপ্লম্বনি। গাড়ী অদুগী দ্রাইভর অদুনা ক্বাথা খুলদগী অঙোম বিরানি। মহাক অসি লৈঙাক্কী স্কুল অমগী ওজানিসু হায়রি।

ইবোচানা মখা তানা ফোংদোকখিবদা, লৈঙাক্কী থবক তৌরগা অসিগুম্বা লোনা য়াদবা খুন্নাই অমা মাঙনবা থবক তৌরম্বগীদমক্তা মহাক্কী মথক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎলগনি। নাবনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্তা কোন্ননা...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

নুমিৎ খূদিংগী থাউগী মমল লেপ্পদগী ওইল পম্পশিং থোঙ লোন্নবা য়াওরে

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচ এন এস) : ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী অখন্নবা থৌশীলগী মখাদা নুমিৎ খূদিংগী পেট্রোল অমসুং দীজলগী মমল লেপ্পুনা য়োলহনখিবদগী মণিপুরদা রিটেল আউটলেটশিং চলাইরিবা মপুশিংদা শেল শাথিনা মাঙবনা মরম ওইরদুনা থোঙ লোন্নবা য়াওরে।

রিটেল আউটলেট অমগী মপুনা পাউচে অসিদা হায়, হান্নদি ওইল দিপোদগী পেট্রোল নৎত্রগা দীজল কিলোলিটর মরিদগী তাদনা লৌরমই। হায়রিবা চাং অসি নুমিৎ নীনি/হুম্নি ফাওবা য়োনবদা লোইবা ঙমদবা য়াওই। মতমদুদি থাউগী মমল মরক মরক্তা লেপ্পনা শেল য়াম্না মাঙবা নৎত্রগা তোংবগী থোইনা লৈরমদে। অদুবু হৌজিক্তি রিটেল আউটলেটশিংনা নোংমগী য়োনগদবা কিলোলিটর ১.৫ রোমদমক ওইল দিপোদগী লৌবদা খুদোংচাদবা থোক্লে। য়োনবা লোইহৌদবা রিটেল আউটলেটশিংনা মথংগী নুমিত্তা য়োনবা হায়বসি মমল তাথরকপদা শেল মাঙবগী ৱাফম অসি লাকই।

নোংমা নোংমগী মমল লেপ্পনা পেট্রোল নৎত্রগা দীজল চাং য়াম্না ৱাংনা য়োনবা রিটেল আউটলেটশিংদদি খরমখৈ কান্নে। অদুগা য়াম্না য়োনবা ঙমদবশিং অদুনা শেনমাঙ ফুকৎনবা হোৎনবদা অৱাবা ওইরে। নুমিৎ খূদিংগী থাউগী মমল লেপ্পগী সিষ্টেম চৎনবা হৌখিবদগী ঙসি ফাওবদা থাউগী মমল হন্দুনা লাক্লি। অসিগুম্বা অৱাবসিনা মরম ওইরদুনা রিটেল আউটলেটশিং চলাইবা ঙমদবগী ফীভম লাক্লে। হীরম অসিগী মতাংদা লৈবাক শীনবা থুংনা খোঙজং চঙশিল্লকপা য়াই হায়রি।

ঈচাউ য়েংশিন্নবা সেন্তরগী টিম লাক্লগনি : সী এম

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচ এন এস) :
স্টেট অসিদা চেল্লিবা তুরেলশিংগী ঈমায় ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা মফম কয়াদা ঈচাউগী অৱাবা মায়োক্লরিবা অসিগী মতাংদা সেন্তরনা তেঙবাং পীবীনবা প্রাইম মিনিষ্টরদা চে ইদুনা খঙহনখ্রে। অথুবদা সেন্তরগী টিম অমা মণিপুরগী ঈচাউগী ফিভম য়েংশিনবা লাক্লগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোংদোকখ্রে।

সেক্রেটরিয়েটতা ঙসি থৌরম অমা য়াওবা লাকখিবা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন্না পাউমীশিংগা উনবদা ফোংদোকখিবদা, স্টেট অসিদা হৌজিক মফম কয়াদা ঈচাউগী অৱাবা মায়োক্লরি। স্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু ফিভম অসিদা স্টেট কেলামিটিনচিংবা লাউথোকপা লৈখ্রে। ঈচাউগী অৱাবা মায়োক্লরিবা অসিদা সেন্তরগী মায়কৈদগী মতেঙ পাঙবীনবা প্রাইম মিনিষ্টরদা চে ইদুনা খঙহনখ্রে। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহদসু টেলিফোনদা ৱারী শানদুনা স্টেট অসিদা ঈচাউগী অৱাবা মায়োক্লরিবা অসিগী মতাংদা মরিক চুম্না ৱাফম থমখ্রে।

মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ঈচাউগী ফিভম অসি য়েংশিন্নবা সেন্তরগী ওফিসল টিম অমা অথুবদা লাক্লগনি। সেন্তরনা মণিপুরগী ঈচাউগী ফিভম অসিগী মতাংদা য়েংশিন্নবা অমদি অমাঙ অতা থোক্লিবা কয়া অসি এসেস তৌনবা ওফিসল টিম থারক্লগনি। ওফিসল ...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

জি এস টিগী মতাংদা হায় লেবেল মীটিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচ এন এস) :
গুদস এন্দ সর্ভিসেস টেক্স (জি এস টি) গী মতাংদা ওফিসলশিংনা মীয়ামদা নীংথিনা খঙহন্নবা হোৎনবা তঙায়ফদে হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না ঙসি ওল্ড সেক্রেটরিয়েটকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা জি এস টিগী হায় লেবেল মীটিংদা ফোংদোকখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী মকোক থোংবা ওফিসলশিং, দি সী অমদি এস দি ওনচিংবা কয়া য়াওবা মীফম অদুদা ৱাঙাংলদুনা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন্না হায়খি, অনৌবা টেক্স সিষ্টেম অমা ওইনা চৎনরক্লিবা জি এস টিগী মতাংদা ওফিসলশিংনা য়াম্না কুপ্পা খঙবগা লোয়ননা মীয়ামদসু খঙহনবা তঙায়ফদে। টেক্স কল্লেক্সনগী থবক্তা হেন্না লায়নবগীদমক গ্রাসরুট লেবেলদা জি এস টিগী মরমদা নীংথিনা এৱ্রোরনেস লৈহনবা চঙই। মীয়ামদা জি এস টিগী ৱাখল লৌশিং নীংথিনা লৈরক্লবা মতমদা টেক্স কল্লেক্সনগী থবক্তা খুমাঙ চাওশিনবা ঙমগনি। মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা গ্রাসরুট লেবেলদগী থবক নীংথিনা তৌদুনা মীয়ামদা মপুং ফানা এৱ্রোরনেস লৈহনবা চঙই।

দি সীশিং, এস দি ওশিং অমদি মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা রেভিন্যু কল্লেক্সনগী মতাংদা য়াম্না পুক্লিং চঙনা থবক পায়খৎপগা লোয়ননা রেভিন্যু হেনগৎহন্নবা হোৎনবা চঙই। ওফিসলশিংনা নীংথিনা থবক পায়খৎলকপা মতমদা হীরম অসি খোঙজেল য়াঙনা চৎপা ঙমগনি। গ্রাউন্দ লেবেলদগী নীংথিনা থবক পায়খৎতুনা স্টেট অসিগী রেভিন্যু কল্লেক্সনগী থবক অসি মায় পাক্লা পায়খৎনবা হোৎনসি। জি এস টি হায়বসি অনৌবা টেক্সকী মওং অমনি। লৈঙাক্কী মেছিনরিশিংনা অমগা অমগা কোওর্দিনেসন লৈননা থবক তৌদুনা জি এস টি মপুং ফানা ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা হোৎনগদবনি।

সেন্তর অমদি স্টেটকী থাক্তা তোঙান তোঙানবা টেক্স মখল ১৭ রোম লৌরম্বা অদু হৌজিক্তি গুদস এন্দ সর্ভিসেস টেক্স (জি এস টি) না মহুৎ শিল্লে। টেক্স মখল অমখক্তমক লাক্লিবা অসিদা নীংথিনা থবক পায়খৎমিন্ননবা হোৎনমিন্নসি। নোর্থ ইষ্ট স্টেটশিংগী ওইনা ফন্দিং সিষ্টেম প্রাইম মিনিষ্টরনা অখন্নবা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

আই এ এস ৭, এম সী এস ১৩গী ফম হোংদোক হোংজিন তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচ এন এস) :
মণিপুর লৈঙাক্না ঙসি থোকখিবা য়াথং অমগী মতুং ইন্না আই এ এস ওফিসার তরেৎ অমসুং এম সী এস ওফিসার ১৩ নৌনা ফম হোংদোক হোংজিন তৌহনখ্রে।

লৈঙাক্কী য়াথং অসিনা নৌনা থবক পুহনখ্রবা আই এ এস ওফিসার অমসুং মখোয়না পুগদবা ফমশিং অদুদি আর সুধাননা স্পেসল সেক্রেটরি (টুরিজম), ঈ দি (এম আই দি এ) অমসুং চীফ মিনিষ্টরগী মোনিটরিং সেল; সী অথর ৱারচুয়োনা দিরেক্টর (ট্রান্সপোর্ট), জোইন্ট সেক্রেটরি (ট্রান্সপোর্ট, লেবর এন্দ ইমপ্লোয়মেন্ট) এন্দ মিসন দিরেক্টর, মণিপুর সোসাইটিফোর স্কিল দিভলপমেন্ট; নিঙম চামরোইনা দিরেক্টর (ট্রাইবেল এফেয়র এন্দ হিলস); শ্রীমতি মানুৱানচিংনা জোইন্ট সেক্রেটরি (ও বি সী এন্দ এ সী); হর্মিত সিংহ অহুজানা উখ্রুলগী দেপ্যুটি কম্মিস্নার; রোবর্ট সিংহ ক্ষেত্রিময়ুমনা জীরিবামগী দেপ্যুটি কম্মিস্নার অমসুং এম জি প্রদিপ চানরেননা জোইন্ট সেক্রেটরি (রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজ) এন্দ এস এম দি (এম এস আর এল এম)নি।

নৌনা ফম পায়রগদবা এম সী এস ওফিসারশিং অদুদি ডা. রঙ্গিতাবলি ৱাইখোম ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

লাইফলিহুদ মীসনগী মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং খুৎয়েক পীনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচ এন এস) :
দিন দায়ল উপাধায়া গ্রামিন কাউসিলয়া য়োজনা (দিদিয়ু-জেকেৱাই) স্কীম ইমপ্লিমেন্ট তৌনবগীদমক মণিপুর স্টেট রুরেল লাইফলিহুদ মীসনগা এম এস এপোল্লো মেদস্কীল লিমিটেদগা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু) খুৎয়েক পীনখ্রে।

সেক্রেটরিয়েটতা লৈবা রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজ মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎকী ওফিসতা এম ও য়ু অদু খুৎয়েক পীনখি। আর দি এন্দ পি আর মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎকী মমাংদা এম ও য়ু অদু খুৎয়েক পীনখিবনি। মণিপুর স্টেট রুরেল লাইফলিহুদকী মীহুৎ ওইনা স্টেট মীসন দিরেক্তর আর সুদান্না খুৎয়েক পীখি। এম এস এপোল্লো মেদস্কীলগী মায়কৈদগীনা মসিগী সেনিয়র ভাইস প্রসিদেন্ট-প্রোজেক্ট এস শ্রীধারনা খুৎয়েক পীখি।

দিন দায়ল উপাধায়া গ্রামিন কাউসিলয়া য়োজনা অসি নেসনল রুরেল লাইফলিহুদ মীসনগী মরুওইবা স্কীল দিভলপমেন্টকী শরুক অমনি। খুঙ্গংগী লমশিংদা লাইফলিহুদকী মতাংদা স্কীল দিভলপমেন্ট পীনবা অখন্নবা মীৎয়েং থল্লি। মণিপুর স্টেট রুরেল ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

ম্যান্মারদগী য়েরুম পুশিল্লকপা থিংনবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচ এন এস) :
হন্দক মরক চাইনারোমদগী পুথোকপা প্লাস্টিকী য়েরুম মণিপুরগী কৈথেলশিংদা য়োল্লে হায়বা পাউ লৈবনা মরম ওইরগা মোরেরোমদগী ইম্ফাল তম্না য়েরুম পুশিল্লকপা থিংবগী থবক পায়খৎনবা মোরেগী এস দি পি ও/ইমিগ্রেসন ওফিসারনা এসিষ্টেন্ট কম্মিস্নার কষ্টম প্রিভেন্টিব ফোর্স মোরেদা চে ইদুনা খঙহনখ্রে।

মোরেগী এস দি পি ও/ইমিগ্রেসন ওফিসার লোরেঞ্জ কপখেনমাং মুনলুরোনা কষ্টম প্রিভেন্টিব ফোর্স মোরেগী এসিষ্টেন্ট কম্মিস্নারদা ইখিবা চেরোল অদুনা হায়, চাইনারোমদগী পুশিল্লকপা প্লাস্টিকী য়েরুমশিং মণিপুরগী কৈথেলশিংদা য়োল্লে হায়বগী রিপোর্ট লাক্লে। প্লাস্টিক য়েরুমশিং অসি চারবদি লমদমসিগী মীয়ামদা হকশেলগী অচৌবা খুদোংথিবা অমা থোরকপা য়াবগী ফীভমদা লৈ। চাইনাগী অয়াম্বা পোৎলমশিং অসি মফম অসিদা পুশিল্লকপগী গেটৱে অসি মোরেনা ওইরি। মরম অসিনা ম্যান্মাররোমদগী পুশিল্লকপা য়েরুমগী পোৎলমশিং অসি গেট নম্বর-১ অমসুং ২দা থিংদুনা ইন্দিয়ন টেরিটোরিদা লানশিন্দনবা থবক লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈরে। মরম অদুনা ম্যান্মাররোমদগী পুশিল্লকপা য়েরুমগী পোথোকশিং অসি মতম খরগী ওইনা থিংবিনবা মরী লৈনবা কষ্টমগী ওফিসতা য়াথং পীবিয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা পল্লি।

অমরোমদা, ফুদ সেফটি এনফোর্সমেন্ট ৱিং ইম্ফাল ৱেষ্টকী টিমনা ঙরাং ঙারী গলিদগী খোমগৎথিবা য়েরুমগী সেম্পলশিং অদু স্টেট ফুদ টেষ্টিং লেবোরেটরিনা টেষ্ট তৌনবা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশতগী অফস্পা লৌথোক্তৌরি

ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৫ (এজেন্সী) :
অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী মফম খরদগী আর্মদ ফোর্সেস (স্পেসল পাৱর) এক্ট মচিৎ খরা লৌথোক্লিংবগী অপাম্বা হোম মিনিষ্টরনা ফোংদোক্লদুনা স্টেট অদুগী লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম নৌনা রিভিয়ু তৌনবা সেন্টরনা খঙহনখ্রে।

এজেন্সীগী পাউ অসিগী মতুং ইন্না অসামদা হৌখিবা চহী ২৭ অসি অফস্পা থমজিন্দুনা লাক্লি অমসুং অরুনাচল প্রদেশকীনা অসামগা লোন্নবা দিষ্ট্রিক্ট অহুমদা অফস্পা থল্লকখি। ঈরাং লাকশিন্নবগীদমক হায়রিবা মফমশিং অসিদা য়ামদ্রবদা পুলিস স্টেসন ১৬ হাংদোক্লনা থবক তৌহল্লি।

লালহৌবগী চৈথেং স্টেটশিং অসিদা মরুওইনা থেংনরিবা লো এন্দ ওর্দরগী প্রোক্লেমদি নেসনল সোসলিষ্ট কাউন্সীল ওফ নাগালেন্দ (আইজাক-মুইভা) অমসুং এন এস সী এন (কে)না নমদুনা শেল খায়বা অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা এটেক তৌদুনা পার্সনেলশিং হাৎপগী থবক চথে হায়বসিনি।

হোম মিনিষ্ট্রিগী সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোংদোরকপা মতুং ইন্না পাউ অসিনা হায়, অসামদা য়ুনাইটেদ লিবরেসন ফ্রন্টগা লৈঙাক্লা ঈং-তপ্পা ফীভম অমা পুরক্লবগীদমক ৱারী শানরি অমসুং অতোপ্পা গ্রুপ খরনা মখোয়গী থবক থৌরমশিং পাঙথোকপা ঙমহন্দনবা হোৎনরি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা মতেক ওইনা নৎত্রগা মপুম ওইনা এক্ট অসি লৌথোকপা য়াব্রা নৎত্রগা য়াদব্রা হায়বদু স্টেট অনীসিদগী পাউখুম কৌখ্রে।

নোটিফিকেসন অমগী মতুং ইন্না অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশতা অফস্পা থল্লিবসি মরম চারিব্রা নৎত্রগা লৌথোকপা য়ারব্রা হায়বদু থা ৬ খুদিংগী য়েংশিল্লমই। অদুবু হৌজিক্তি থা ৩ খুদিংগী য়েংশিল্লে হায়নসু ওফিসল ওইবা পাউ অমনা হায়রি।

স্টেট অনী অসিগী শরুক খরদগী অফস্পা লৌথোক্লিংবগী অপাম্বা লৈরগসু মণিপুরদদি মখা তানা এক্ট অসি...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

LOAN AVAILABLE
[illegible]

- মথল খুদিংগী অপাম্বা 2 , 3 and 4 Wheelers Loan
- Service Loan
- Pension Loan
- Gold Mortgage
- T.V./Laptop/A.C./Refrigerator Loan
- হায়রিবা শিং অসি অরাইবা মওংদা অমসুং খুদক্তা লৌবগী খুদোংচাবা পীজরি ।

AREA COVERED:
Imphal East
Imphal West
Bishnupur

● 100% Free Processing (Vehicle Only)

IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Lokleobung B.O. Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on http://www.imphalfinancesociety.in.

HL-P/1820/15/6-19/7